# আই এন বি এ টাইৱান নেসনলস পাঙথোকপদা

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

মরিশুবা “২০২১ আই এন বি এ টাইৱান নেসনল বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস চেম্পিয়নশিপ” থা অসিগী ২দা Hungkuo Delin University দা য়াম্না মায় পাক্না পাঙথোকখ্রে। তশেংবদি হায়রিবা নেচরেলগী ওইবা চাংদম্নবা অসি হৌখিবা জুন ২৬, ২০২১দা পাঙথোক্কনি হায়না ৱারোপ তাদুনা সোসল মীদিয়া অমদি ইমেলনচিংবদা পাউজেল থাখ্রবনি। অদুবু অনীশুবা কোভিদ লাইচৎনা ইখঙ খঙহৌদনা লান্দারকপদগী টাইৱান পূম্বদা লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা হায়দুনা লেভেল ৪গী অথিংবা অমদি চৎন-কাঙলোনশিং টাইৱান লৈঙাক্না থম্লকপদগী য়ৈথোকখিবনি মতম অমা লেপ্পা ঙমদনা। মতৌ অসুম্না অসুম কোভিদ লাইচৎকী ফীভম হন্থরকপা য়েংদুনা লাকপনা জুলাই থাগী অরোইবা চয়োল অদুৱাইদা লেভেল ২, ৩দা হন্থরকপদুদা ওক্টোবর ২দা তৌরসি হায়না শান্নরোয়শিংগা লেপমিন্নখিবনি।

সেপ্টেম্বর থাগী থয়ায় চল্লকপদা লেভেল ২দা হন্থরল্লবসু মীয়াম পূনবদা মীশিংদা অপনবা লৈবনা ওনলাইনদা পাঙথোকসিরা, য়ৈথোকখিসিরা, মপাল (ওপন ষ্টেজ) দা তৌসিরা নৎত্রগা হন্দক চহীগী ওইনা তোক্লসিরা হায়না শান্নরোয়শিংগা তানবদা ওপন ষ্টেজদা তৌরসি হায়না লেপ্নখিবনি। তোকপদি মখোয় শুংপাম পামখিদে। অসিগুম্বা নেচরেল শান্নরোয়শিং অসিগী হোৎনবা কনবা অমদি চাংদম্নবা য়াওনীংবগী ইথিল অদুনা মরম ওইদুনা য়ৈথোকপা, তোকথোকপা থাদোক্তুনা ওক্টোবরদা পাঙথোক্লসি হায়না লেপখিবনি।

মমাঙগী কুমজা ২০২০গী এপ্রিল ৬ ফাওবদা অহানবা কোভিদ লাইচৎ অসি কনফার্ম ওইখিবা মীওই মশীং অসি শুপ্নগী ৩০৭ ওইরম্বনি অদুগা শিবগী মশীংসু শুপ্নগী মীওই ১৩ খক ওইরম্বনি। অদুবু হন্দক চহী অসিগী এপ্রিল থাদা টাইৱানগী এয়রলাইন অমগী ক্রু অমদি ষ্টাফশিংনা মপালদগী অনীশুবা কোভিদ লাইচৎ অসি পুশিল্লকপদগী লাইচৎ অসি শন্দোরকপগী চাংসি খংৱাং ৱাংখৎলকখি লোয়ননা শিবগী চাংসু খংহেন হেনগৎলকখি। থা অসিগী ৫ ফাওবদা অনীশুবা কোভিদ লাইচৎনা মরম ওইদুনা নাখিবা মীওই ১৬,২৫০ শুরে অদুগা শিখিবগী মশীংনা মীওই ৮৪৩নি। অসিগুম্না মীশি মীনাসি অমুক হন্না থোক্তনবা টাইৱান্দা লৈরিবা লোকল লৈঙাকশিংনা য়াম্না চেকশিনবা খোঙথাংশিং লৌবনা মী তিনবা থৌরম অমা পাঙথোকপা অরাইবা ওইদে।

কোভিদ লাইচৎ অসি হন্থরল্লবসু লোইনমক চৎখিবমক ওইদবনা চৎলিবা থা অসিদা পাঙথোকপদসু অয়েৎপা খরা অদুম লৈরি। হৌজিক হৌজিক্কী ওইনা টাইৱান পূম্বদা কোভিদ লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা লেভেল ২গী খোঙথাংশিং লৌখৎতুনা লৈবনা পিশক পিক্লিবা অঙাং ফাওবা য়াওনা মীপূম খুদিংমক যূমদগী হেক মপান থোরকপদা মাস্ক উপকদবনি, কম্যুনিতি রেসিদেন্সশিংদা অমদি অতৈ ওফিসশিং, রেষ্টুরেন্টস অমদি অতৈ পব্লিক বিল্ডিংশিং চঙবদা বোদি টেম্পরেচর য়েংবা অমদি হেন্দ সেনিটাইজরনচিংবা শীজিন্নবা অসিনি।

লেভেল ২গী চেকশিন থৌরাং লৈবনা শান্নরোয়শিংসু, য়েংবা লাকপীবশিংসু, ষ্টাফশিংসু লোইনা মাস্ক উপ্পা মথৌ তাই। ষ্টেজ মথক্তা কাদুনা চাংদম্নবা মতম ফাওবদা মাস্ক উপ্তুনা চাংদম্নে। থা অসিগী হৌখিবা ৫ ফাওবদা ফংখিবা পাউগী মতুংইন্না টাইৱানদা অনৌবা কোভিদ-১৯গী লোকল কেস অমা ফাওবা লৈখিদে। তৌইগুম্বসুং মপালদগী পুশিল্লকপা কেস মরি/মঙাদি লৈখি। অদুগা শিবমক্তি থোকত্রে হৌজিক্কানসি। লোকল কেস জেরোদা লৈ অমদি শিবা-নাবা য়াওদ্রগসু টাইৱানগী লোকল লৈঙাকশিংনা থৌশাদনা চেকশিন্দবগী ৱাফমদি খক লৈতে। মরম অসিননি শন্দোকপগী অমদি শিবগী কেস অমা ফাওবা লৈত্রবসু লেভেল ২দা চখগদবা খোঙথাংশিং অদুম চত্থরিবা।

২০২১ আই এন বি এ টাইৱান নেসনলস য়াম্না মায় পাক্না পাঙথোক্লবা মতুংদা শান্নরোয় কয়া অমনা সোসল মীদিয়ানচিংবদা লেপ্তুনা থাগৎপা ফোঙদোক্লরক্লি আই এন বি এ টাইৱান অমদি চাংদম্নবা অসিবু শিন লাংবীরিবা থৌবুরেলশিংবু। টাইৱানগী শান্নরোয়শিং খক্তা নত্তনা য়ু এস এদা লৈবা আই এন বি এ, পি এন বি এ ৱর্ল্ড প্রসিদেন্ট দেন্নি কাকোসনসু সোসল মীদিয়া (ফেসবুক) তা অসুম্না থাগৎ ৱাহে ফোঙদোকপীরকই : “Huge congratulations to the Elite Natural Athletes of the 2021 INBA TAIWAN NATIONALS, and to the outstanding leadership of **INBA PNBA** GLOBAL ASIAN PRESIDENT **Shantikumar Meetei Ngangbam** BRAVO” লোয়ননা, ওষ্ট্রেলিয়াদা লৈবা নেচরেল বোদিবিল্ডিং হোল ওফ ফেম পাঙথোকখ্রবা এলিট শান্নরোয়, কেন রোসনসু য়াম্না মায় পাক্না পাঙথোকপা অসিদা থাগৎপা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোকপীরকই।

করিগুম্বা কোভিদ লাইচৎ অসি লৈরমদবা থোক্লবদি হন্দক চহীগী আই এন বি এ টাইৱান নেসনলস অসি মমাঙ চহীদগী শরুক অনী হেন্না চাউনা পাঙথোকপা ঙম্লমগনি। মথং চহীদা হেন্না চাউনা পাঙথোকপা ঙম্নবা আই এন বি এ টাইৱাননা শেম শাবা অমুক হৌরে। ঐহাক ইশামক্না আই এন বি এ গ্লোবল এসিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইবতা নত্তনা আই এন বি এ টাইৱানগী প্রসিদেন্ট ওইনসু তোয়না নেচরেল ষ্টেজগী ওইবা চাংদম্নবদা তোয়না থোকচবা ফংজনবা হায়দুনা চহী অমদা আই এন বি এ টাইৱান নেসনলস অসি অনীরক পাঙথোক্কে হায়দুনা শেম শাবা হৌরে।

খুন্নাই অমা শেমগৎনবা, চাওখৎনবা হোৎনবদা খুন্নাই অদুদা লৈরিবা মীওইশিং ৱাখল ফনা, হকচাং ফনা থম্বা হায়বসি য়াম্না মথৌ তাই হায়বসি হেক হেক কাউথোকপগুম তৌই ঐখোয় ইরমদমগী মীয়াম্না অমদি লুচিংবশিংনা। হকচাং ফনা থম্ববু মীরাইবীদুনা থম্লগা মহে মশীন তম্বখক্তনা খুন্নাই অমা চাওখৎহনগনি হায়বগী ৱাখল্লোল ঙসিসু মীওই অয়াম্বদা লৈবগুম উরি। হকচাং ফৎত্রবদা, ৱাখল লৌশিং তানশিনবা, হোৎনবা, মায় পাকপা ওইথোক্তবনি। ঙম্লবসু তুং কোয়না চৎলোই। অফবা ৱাখল পুথোকসি, নহারোলশিংবু কন্না হোৎনবগী হৈনবী তম্বীসি, হকচাং ফনা থমসি, ফত্তবা হৈনবী, ময়াই কাবা চিঙ্গাকনচিংবা চাবা-থকপদগী লাপথোকহনসি, হুরান-চিন্থি, ফুন-চৈনবদগী লাপথোক্না থমসি হায়রবদি চাং নাইনা শান্ন-খোৎনবরোমদা মায় ওনশিনহন্দুনা হোৎনবীগদবনি মমা-মপা, ওজা অমদি লুচিংবশিংনা।

য়েংবীয়ু মালেমগী চাওখৎপা লৈবাক খুদিংমক লমদম অদুগী মীওইশিংগী মরক্তা চাং নাইনা শাজেল তৌবা অমদি শান্ন-খোৎনবগী মশীংসি কয়াদা ৱাংনা লৈরিবা। শান্ন-খোৎনবা অসিদসু নেচরেল ওইনা শান্নবা অদুনি খ্বাইদগী হেন্না ফরিবদি। শান্নবগী মমীংদা চাহেদবা, হকচাংদা শোকপা য়াবা চিঙ্গাক কয়া চাশিনবা অদুদি তুংদা হকচাংদা অমাঙবা য়াম্না পুরক্কনি। অসিগুম্বা হৈনবী অসিদগী ঙাকথোক্লবনি আই এন বি এ, বি এন পি এনা মালেমগী মফম কয়াদা লেপ্পা লৈতনা নেচরেল স্পোর্টসপু শৌগৎতুনা নেচরেল ওইনা শান্নজবা মীওইশিং অমদি শান্নরোয়শিংদা পাউজেল পীরিবা, নেচরেলগী ফম্বাকশিং হাংদোক্লিবা। ঈহৌ অসিদা ইরৈচাশিংসু শৌগৎপীয়ু, শরুক য়াবীয়ু। ঈহৌ অসিনা শোমগী ইমুং মনুংগী ইচা ইশুশিংবু মশা-মউ ফনা থম্বতা নত্তনা ফত্তবা হৈনবী কয়াদগী ঙাকথোকপদা অচৌবা মতেং ওইগদৌরিবনি। য়াইফমিন্নরসি। ●

# ঐখোয় হৌজিক করি তৌগনি?

- ডা. এম নরা -

ঐখোয়গী খুন্নাইসি মায়কৈ খঙদনা লমুক্লদুনা লৈরবা, লমজিংবীনবা লৈত্রবা, মানা-মানা থোকপা তৌনরবা শক্তম অমা ওইরক্লি। চরাংনরবা পুন্সি, শুফম নোম্ফম খঙদ্রবা, থোকঅ-থোকঅবা পুন্সি মরেল অমদা লাইবক্তা তাইনদুনা লৈরি। পূম্নমকসিগী হৌরকফম লৈ অমসুং সোল্যুসন পুরক্লবসু লৈগনি। মতাং অসিদা ঐহাক্না কুমজা ১৯৯৬তা অহানবা ওইনা ফোঙজখিবা শৈরেংগী লাইরিক্তা য়াওখিবা শৈরেং অমা নীংশিংলকই।

“কাং খোং চাইবা”

> য়েংউ য়েংউবা খুদিংদা মথক মখা ওন্নরে,
> থাজদবা উপালদা ওইদবা উহৈ য়াল্লরে
> মফম মরাং খঙদ্রবা অকি তুজুংনা থল্লবা
> থৌদোক ৱাথোক্তা ঙাইখরে, মায়কৈ সলাই খঙদরে।
> অন্দলোন হৌরি মহৈরোয়শিং, ঘেরাও বন্দ তৌরি,
> স্কুল কোলেজ থিংলি, ওজানা লাইরিক তম্বীদ্রি,
> মহৈরোয়না লাইরিক ঔরাইদ্রি, অনেকপনা পরিক্ষা থানরি
> ইন্টরভিয়ু য়াওরি, শেল য়াম্না তিংনরি।
> শুবা নোম্বা তান্নরি, পোথোক পুথোক্লবা হোৎনদ্রি
> নাখ থেংবা চৎনরি, থাবল চোংদুনা হরাওরি,
> কেবা লেম্বা তান্নরি, চাকখুম মৈ মুৎনরি,
> সরক্কী চিদাইদা লেপ্তুনা মীৱা ঙাঙবা তান্নরি।
> লৌমীনা হার থিরি, লৌনা হার ঙাইরি,
> এজেন্টনা হার লোৎলি, লল্লোনবনা শেন্দোং তাল্লি;
> লম্বীনা এঞ্জিনিয়র ঙাইরি, এঞ্জিনিয়রনা ঠিকাদার কৌরি,
> ঠিকাদারনা মিনিষ্টর লুপ্লি, লৈঙাক্না পেঞ্জরি।
> লম্বীদা শেল নীরি, সরক্তা গাড়ী থৎলি,
> খুল্লক্তা শেল খায়রি, য়ু য়াম্না শুংলি,
> নিশাবন্দ কন্না হৌরি, এক্সাইজনা তাৎ তৌরি,
> পুলিস মখেল লাংলি, নহারোলনা দন্দি পীরি।
> হাওসি কন্না লাওরি, চেরিটি শো তোইরি,
> স্কিমনা লৈরক থল্লি, লোটরিদা জ্ঞান মাঙলি,
> মরুপ্না ৱাই চাইরি, তোলোপ যূম য়ৌদ্রি,
> সনা বনধোপ থল্লি, ইমুং মনুং কায়নরি।
> যূম মৈ থানরি, অউ অউবা হাৎনরি,
> বজারদা বোম পোকখায়রি, সিফাই শল্লুপ থুংলরি,
> নোংমৈ পংকাপ কাপ্পরি, মীয়াম কায়দুনা চেন্নরি,
> মীপাইথীবীশিং ৱান্থরি, স্বর্গ কাবা য়াওনরি।

অসুম্না ঐখোয়গী খুন্নাই অসিগী শক্তম পুন্সি চূপ্পা লৈরগদ্রা? শেমদোকপা য়াখিগদ্রা। করম্না শেমদোক্কনি?

মীওইবগী খুন্নাই অসি চহী লাখ কয়া হৌখ্রবনি। ঙল্লিঙৈগী প্রিমিটিভ সোসাইটি হায়বদি নূঙগী যুগকী মতম, মীনাই লোয়বা খুন্নাইগী (স্লেভরি সিষ্টম) চৎনলোনচৎ মথংদা নিংথৌ পানবগী চৎন-পথাপ অমদি মমৈথংদা গনতন্ত্রগী চৎন-পথাপকী মনুংদা শেঞ্জাও পায়বগী নিতি অমসুং মান্নবা খুন্নাই (সোসিয়েলিজমগী খুন্নাই) ওইরকখিবা পূম্নমকসি পুৱারীগী খোঙচৎ অমা ওইরক্লিবনি। করম্না অহোংবশিং অসি ওইরকখিবগে হায়রগদি মান্নদবা, মুক্লবা অমদি থেঙ্গাইনরকপা কয়াদগী অনৌ-অনৌবা শক্লোন কয়াদা হোংলকখিবনি। মহৌশাগী লো অমগী মতুংইন্না (লোজ ওফ সোসল দিভেলপমেন্ট) অমদি সাসনগী মওং মতৌশিংনা ওইহল্লক-খিবনি। মতোমতা ওইজরকপা নৎত্রেগা লাইগী নোংদমদগী অহোংবা কয়াসি লাকহনবা নত্তে। তেনখ্রবা স্পেস অসিগী মনুংদা মপূং ফানা ব্যাখা তৌদুনা ইবা ওইথোক্তবনা খরা শম্না অদুম পঞ্জরমগে। মীওইবগী পুৱারী অসিদি ইনাকখুনবা অমদি লায়রবগী থেংনরকপা লানদগী ওইরকখিবনি (হিষ্ট্রি ইজ দি প্রদক্ট ওফ ক্লাস ষ্ট্রগল) অরৈবা কাঙলূপ্না লায়রবশিংবু মতম চূপ্পদা নমথদুনা থম্নিংই অদুগা লায়রবা কাঙবুনা অওৎ অনৈ কয়ানা মখোয়বু নমথদুনা থল্লিবা অরৈবা কাঙবুগী মখূত্তগী নাম্থোক্না হোৎনৈ। অসুম্না লেপ্তুনা থেঙ্গাইনরকপগী ফলনা ঙসি ফাওবদা ওইরক্লিবা অহোংবশিং অসি ঐখোয়না উবা ফংলিবনি। বৈজ্ঞানিক ওইনা নৈনরগা অফবা খুন্নাই অমা শেমগৎপা য়াই। মদুগী খুন্নাই অদু লোল, ধর্ম্ম, জাৎ, কুচু খাইদবা অমদি মাগী মাগী ফংফম থোকপা চাকথুং ফংবা ঙম্বা, মী অমা ওইবগী হক (অধিকার) ফংবা ঙম্লবা অমদি খুন্নাই অসিদা হিংবগী মহাও খঙবা নুংশি চান্ননা হিংদুনা লৈমিন্নবা ঙম্লবা সোসাইটি অদুনি ঙসি ঐখোয়গী দরকার ওইরিবসি। ইরোই লোইবদা রাজনিতিনা লৌরকপা ৱারেপ্পা চৎনবী অদুম ওইরক্কনি। মরম অদুনা ঐখোয় পূম্নমক্না রাজনিতিগী ৱাখল্লোন মপূং ফানা খঙমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না ঐহাক থমজগে। মসিগী চৎন-কাঙলোনশিং নীংথিনা খঙদুনা মীয়ামগা লোয়ননা থবক তৌমিন্নবা তাই।

গনতন্ত্রগী চৎন-কাঙলোন মমুৎ তানা খঙবা চঙই। মরমদি গনতন্ত্র (দিমোক্রেসি) হায়বসি হিষ্টোরিকেল প্রোসেস অমনি, খুন্নাই অসি চাওখৎলকপগী মনুংদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎচং অমনি। অদুবু ঙসি ইন্দিয়ানা গনতন্ত্র চৎলবা অমসুং মালেমগী লৈবাকশিংদগী খ্বাইদগী হেন্না চাওবা দেমোক্রেটিক কন্ত্রি অমনি হায়না লাউরি। অদুবু তশেংনা চুল্লব্রা হায়বদুনি হংনরিবসি? গনতন্ত্র হেন্না মপাঙ্গল কলহনবা অমসুং কাঙলোন চুম্না প্রাক্টিস তৌবা হায়বসি তঙাইফদবা অমা ওইনা লৌগদবনি অমদি কন্সটিট্যুসনগী চৎন-কাঙলোন অমদি ইলেক্সনগী আইনশিং খোঙ্গাওনরোইদবনি। অদুবু অমুক্তা কূপ্না য়েংসি তশেংনা গনতন্ত্রগী চৎন-কাঙলোনসি চুম্না চৎনরব্রা? ইলেক্সন হায়বসি গনতন্ত্রগীদি তৌদবা য়াদ্রবা কম্পোনেন্ট পার্ট অমনি। ইলেক্সন কাঙলোন চুম্না তৌবা ঙল্লব্রা হায়বদুনি ঙসি ঐখোয়না নৈনগদবসি। কাঙলোন চুম্না মীয়াম্না মখোয়গী অপাম্বা কেন্দিদেটশিং অকিবা য়াওদনা অমদি শেল লৌদনা খঞ্জবা ঙল্লব্রা? শেল, ময়াই কাবা চিঙ্গাক অমদি নোংমৈ শীজিন্নদুনা নম্ফুদা কারকপা মীওইশিংনা ভোটতা মায় পাক্লে হায়দুনা কারল্লগা মশাগী ওইজবতা থিদুনা সাসন তৌবনা মীয়াম নুংঙাইবা শুকঙম ঙল্লোই। ইলেক্সন চুম্না তৌবা হায়বসিগা সাসন চুম্না অমদি ফজনা চলাইবা হায়বসিগা য়াম্না মরী লৈনৈ। হৈবোং পাম্বী থারগা কোমলা পাল্লু হায়বা কৈদৌনুংদা য়ারোই। মরম অদুনা হৌজিক্কী ঐখোয়গী লৈবাকসিদা চৎনরিবা ইলেক্সনগী কাঙলোনশিং চুমথোক্লবা হোৎনগদবনি। ইলেক্টোরেল রিফোর্ম তৌবগী তঙাইফদবা লৈরে। হৌজিক্কী ইলেক্সন সিষ্টম অসি বৃটিশশিংনা চৎনহল্লম্বা সিষ্টমনি। মসিবু ঐখোয়না ফর্ষ্ট-পাষ্ট-দি-পাষ্ট (এফ পি টি পি) হায়না কৌই। মসিদি মেনিপুলেসনগী রস কয়া লৈবনা পার্ফেক্ট সিষ্টম অমনি হায়না লৌদে। মরম অদুনা হেন্না ফবা মালেমগী লৈবাক ১০০ রোমদা চৎনবা হৌখ্রবা প্রোপোর্সনেট রিপ্রজেন্টেসন সিষ্টম ওইনা চৎনহন্নবগী প্রোপোজেল কয়াসু তৌনবা লৈরে। হৌজিক চৎনরিবা ইলেক্টোরেল সিষ্টম অসি হোংদোকত্রবদি ঐখোয়না পাল্লিবা অচুম্বা মীয়ামগী মীহুৎ খঞ্জবা ওইথোক্তে। অদুবু মথং চহী হৌগৎলকপদা পাঙথোক্কদৌরিবা বিধান সভাগী ইলেক্সন হায়বদি পঞ্জাব, য়ু পি, উত্তরখণ্ড, মণিপুর অমসুং গোৱা অসিগীদমক্তদি রিফোর্ম তৌবা নংলোইদবনিনা করি তৌবা তাই?

ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসননা পীরিবা হকশিং অমসুং ইলেক্সন কম্মিসননা পীরিবা আইনশিংনা ভোটর অমদা পীরিবা হকশিং ফজনা শীজিন্নরবদি খরা পাম্বে ওইগনি। অদু ওইরবদি ইলেক্সন চুম্না তৌ, ফ্রী এন্দ ফ্যের ইলেক্সন শোয়দনা ওইহল্লু হায়বসিদা মীয়ামগী ঈহৌ অমা শাগৎপা চঙই। ইলেক্সন্দা শেল য়েলহন্দবা, ইলেক্সনগীদমক লৈকায় লৈকায় চাক খাঙবা তৌহন্দবা, ভোটকা মরী লৈননা হরাও কুম্মৈ অমদি লীলা-ফলা তৌহন্দবা অসিনচিংবা থবক খরা পায়খৎপদা লৈঙাক্কী শক্তম শোয়দনা হোংলক্কনি অমসুং অফবা মীহুৎ খনবা ঙম্লক্কনি। তাঞ্জাসিদা নহা ওইরিবা মীয়াম্না শকখঙবীরবা ফিলেম রোহন সাইক্লিষ্টনা লুচিংদুনা সেপ্টেম্বর ২৮দগী হৌদুনা মণিপুরগী এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সি কয়াদা চৎতুনা ইলেক্সন চুম্না অমদি ফজনা তৌসি হায়বগী খোল্লাউগা লোয়ননা কেম্পেন অমা হৌদোরকপা য়াম্না মতাং চাই অমসুং থাগৎনীংই। মীয়াম্না মসিদা সপোর্ট তৌবীবা চঙই। ঐহাক ইশামক্কী অমসুং ঐনা য়াওজরিবা পার্টি সী পি আইদগী মপূং ফাবা সপোর্ট পীজরি। ককচীং, হিয়াংলম, হৈরোক, ৱাংজিং তেন্থা অমসুং খাঙবোক্কী মীয়াম মরু ওইনা লোকল ক্লব কয়ানা পীরকপা রিপোর্ট তাবদা য়াম্না নুংঙাই। মদুদি তুংগী য়ূম্বীরেল ওইগদৌরিবা নহারোলশিংনা অসিগুম্বা অফবা থবকসিদা মায় ওনশিনবীরকপা অসিদা তুংগী আশা অমদি উবা হৌরে।

হৌখিবা মিজোরামগী এসেম্বলি ইলেক্সন্দা নহা ওইরিবা য়ং মিজো এসোসিএসনগী মেম্বরশিংনা চর্চকী সপোর্টকা লোয়ননা চঙশিনখিবা খোঙজং মায় পাকপা হৌখ্রবনি। মণিপুরদসু করিগী মায় পাক্লোই? মীয়ামসু অমুক্তা খন্থবীয়ু, ইশাগী ভোট শেলগা শিন্নথোকপীগনু, আইন্না য়াদবনি অমসুং ঈজৎ খোঙ্গাওনবনি কাউবীগনু। নোংজু নুংশা খাক্তনা খুন্নাইগী য়াওল অমগীদমক পাঙ্গল থৌনা পুথোক্তুনা কেম্পেইন চৎলিবা পীপল ফোর ফ্রী এন্দ ফ্যের ইলেক্সনগী সাইক্লিষ্টশিং অমসুং মসিগী লুচিংবা ফিলেম রোহনবু মায়কৈ কয়াদগী য়াইফ থৌজাল পীনরক্লি অমসুং থাগৎপা ফোঙদোক্লরক্লি।

হৌজিক ঐখোয়না তৌগদবসি - ভোটকীদমক শেল য়েনবা তোকহনসি অমসুং শেল লৌরোইসি, চাকচা হৈজানবা তৌরোইসি, শান্তি ওইনা ভোট থাদসি, অফবা অমসুং অপাম্বা কেন্দিদেটতা ভোট পীসি। ইলেক্সন চুম্না তৌবা ঙল্লবা মতমদা অফবা সাসন লৈহনবা ঙম্লক্কনি।. ●

## ষ্টেটকী পাউ

# মপুরোয়বা লৈত্রবী নুপীশিংদা খূদোলপোৎ তমখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (ঐচএনএস):

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৭১শুবা মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা ‘সেবা ঔর সমরপন অভিয়ান’গী শরুক অমা ওইনা ঙসি মপুরোয়বা কায়খ্রনবী নুপীশিংদা খূদোলপোৎ পীবগী থৌরম অমা বি জে পি বিষ্ণুপুর মন্দলনা শীন্দুনা ইবুধৌ য়াঙ্গোই নিংথৌ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।




বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ইন-চার্জ এল মিরাবন্ত, ভারতিয়া মোদি আর্মি নোর্থ ইষ্টকী নেসনল সেক্রেটরিসু ওইরিবা বিষ্ণুপুর এ সীগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট এন জয়কুমার, বি জে পি বিষ্ণুপুর মন্দলগী প্রসিদেন্ট এল রঘুমনি, বি জে পি সেদ্যুল ত্রাইব মোর্চাগী প্রসিদেন্ট দাংমৈ, সিনিয়র বি জে পি মেম্বর এস জিবন, কেঐচ মেমি, কৈনৌ গ্রাম পঞ্চায়তকী প্রধাণ এনজি সোভানানা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইদুনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এন জয়কুমারনা হায়, ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অসি মীওই মপোক্তা লাইপোক্লম্বা মীওই অমনি। মহাক্না লুচিংবা বি জে পি লৈঙাক লাকপদগী ইন্দিয়াদা লৈত-লায়রা খুদিংমক পূন্না চাওখৎমিন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎলকপগী শরুক অমা ওইনা যূম অমদি টোইলেট লৈতবা মীওই কয়াগী অৱাবা কোকহনখ্রে।

চেঙ লেম্না পীরি, লায়রবা কোক্লনবা, লৌমীশিংগী থাক ৱাংখৎনবা থৌরাং কয়াসু পায়খৎলি। অসিগুম্বা পায়খৎলক্লিবা থৌরাংশিং অসিসু বিষ্ণুপুর এ সীদা মপূং ফানা ফংহনবা ঙম্নবা বি জে পিনা খল্লকপা মীওইশিংদা শৌগৎসি হায়খি।

থৌরম অদুদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ইন-চার্জ এল মিরাবন্তনা ফোঙদোক-খিবদা, নরেন্দ্র মোদিগুম্বা মীওই অমা ঐখোয়গী লুচিংবা ওইনা ফংজবা মালেমদা চাউথোকচনিংঙাইনি। মহাক্তি লায়রবগী মরুপ্নি। মহাক্না লুচিংবা লৈঙাক লায়রবা য়োকখৎনবা গভর্ণমেন্ট অমনি। লৈঙাক অসিবু মপাঙ্গল কন্ননবা বি জে পিদা ভোট পীরসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা বিষ্ণুপুর এ সীগী মনুংদা লৈবা মপুরোয়বা কায়নখ্রবী নুপীশিং অমদি খা-পোৎশংবমদগী লাকপা ব্লদ দোনর টিমদা খূদোলপোৎশিং পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি হায়রি।



## এক্সিদেন্টদা মীওই অমা শিরে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (ঐচএনএস):

শেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুংচনবা এন ঐচ ২গী খোংহামপাৎ মন্ত্রি লৈকায় ওরকিট ফার্ম মনাক্তা ট্রেক্টর অমগা বজাজ স্কুটর অমগা থেঙ্গাইনবদা স্কুটর তোংলকপা নুপা অদু লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমিং নাওরেম নোংয়াই (৫০) অপোকপা লৈখিদ্রবা এন মোহিন্দ্রো কৌই। মহাক মোংজম মাইবা খুল মখা লৈকায়দা লৈবনি হায়রি।

## ৱাটর মেনজেমেন্টকী ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৬ (ঐচএনএস):

ইন্সটিট্যুট ওফ বাইও রিসোর্ছেস এন্দ সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট (আই বি এস দি)গী দিপার্টমেন্ট ওফ বাইও-টেক্নোলোজি, মিনিষ্ট্রি ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা ‘ৱাটর ক্বালিটি মেনেজমেন্ট থ্রু টেষ্টিং, সর্ভিলেন্স এন্দ টেক্নোলোজি-কেল ইন্টরভেন্সন ফোর সোসিও ইকোনোমিক দিভলপমেন্ট ওফ মণিপুর’ হায়বসিদা তাকয়েলপাৎতা লৈবা আই বি এস দিদা ৱর্কশোপ ১ পাঙথোকখ্রে হায়রি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ৱার্কশোপ অদু আই বি এস দি অমদি পব্লিক হেল্থ এন্দ ইঞ্জিনীয়ারিং দিপার্টমেন্ট (পি ঐচ ঈ দি)গা খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবনি।

ৱার্কশোপকী থৌরম অদু রাজ্য সভাগী এম পি ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা মৈরা চুখৎতুনা হৌদোকখি। ৱার্কশোপ অদুদা আই বি এস দিগী দাইরেক্টর প্রো: পুলোক কে মুখর্জি, আই বি এস দিগী সাইন্টিষ্ট ডা. এস ইন্দিরা, ম্যুনিসিপাল এন্দ হাউসহোল্ড ৱাটর ক্বালিটি কোলকটাগী কন্সলটেন্ট ইন্দ্রনিল দাস, পি ঐচ ঈ দিগী চীফ কেমিষ্ট সলাম দেবকান্তনচিংবনা ৱাটর ক্বালিটি মেনেজমেন্ট এন্দ সর্ভিলেন্সনচিংবা তোঙান তোঙানবা টোপিকতা যূম্ফম ওইবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি হায়রি।

ঙসি পঙথোকখিবা ৱর্কশোপ অদুগী মনুং চন্না ওর্গনাইজেসন অনীগী মরক্তা সেভ ৱাটর, বেট্টর হেল্থ এন্দ ৱেল বীইং ওফ মণিপুর হায়বা ৱাফমদা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) সাইন তৌনখি।

ꯅꯕꯣꯗꯌ ꯁꯣꯂꯨꯁꯅꯤꯁ꯭ꯠ ꯏꯝꯐꯥꯜ
**NAVODAYA SOLUTIONIST IMPHAL**

**JNV CLASS VI ENTRANCE COACHING**

- Class commencing from 14th October, 2021
- 6 Months Foundation Cum Revision Course
- Class Timing : Morning 6:30 am to 8 am
  Evening 4 pm to 5:30 pm

**BOY'S BOARDING AVAILABLE**

Contact : 7005103199, 9366098331
Kwakeithel Lamdong, near Inspire Science Academy

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE REGISTRAR OF TRADE UNIONS, LAMPHELPAT**

**NOTIFICATION**

Lamphelpat, the 4th October, 2021

No. Lab/164/2020(TU): Whereas Shri Salam Joy Singh oand 6 (six) others submitted an application for registration of **"Pumlen Pat Khoidum Lamjao Kanba Apunba Lup"** Nongmaikhong Mayai Leikai, Kakching District, Manipur under section 5 of the Trade Union Act, 1926.

2. And whereas Kakchinig District was wrongly written as Bishnupur District by mistake in the Notification, dated 04/09/2021 issued by this office.

3. Now, therefore, all concerned are hereby re-notified to submit claim(s) and objection (s) if any against the proposed registration to the undersigned on or before **14/10/2021**.

3. If no claim(s) and objection (s) are received within stipulated period, this office shall proceed with the registration.

Sd/- **K. Bono Singh**
**Registrar of Trade Unions, Manipur/Deputy Labour Commissioner, Manipur.**

HL-P/0270/7

**ꯃꯥꯡꯈꯤ / DOCUMENT LOST**

I have lost my Original Certificate, Marksheet and Admit Card of HSLC Exam-2003 bearing Roll No. 6104 issued by BOSEM on the way between North AOC to Khumbong on 1st October 2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Khaidem Jiten Singh**
Ngairangbam Makha Leikai

HL-P/9538/7

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)**

**NOTICE FOR OBJECTION**

**Imphal, the 06th October, 2021**

**No.Prop/SR/IW/2021:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **"Yes Development Society"** address as Nagamapal Singjubung Leirak, Imphal West on 05-10-2021 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of Nagamapal Singjubung Leirak.

In the matter, Notice for objection is circulated/ notified for information of general public/registered Society/Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/ Organisation/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/ hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained. **(Further you can contact 9863142363 for any objection/quarry)**

Sd/- **I. Rajen**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/0276/7

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।